# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 25-02-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতিগী ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা লালহৌবা অহুম অমদি খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎখ্রে।

২) পরিক্ষা সেন্তরশিংদা পিয়ম চুমা পরিক্ষা পাঙথোকবা থৌবাল দি.সিনা আপিল তৌরি।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-সরকার অসিগী হোৎনজমন্না অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং চাউখৎপগী অনৌবা মফম অমা কনবা ঙম্লগনি।

**পুলিস(এল)ঃ** মণিপুরগী ঈরাং অসি লাকশিন্নবা রাজ্য পুলিস অমদি সেন্ট্রল ফোর্সকী অপুনবা কাঙবুশিংনা চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। মসিগী মনুং চন্না ঙরাং চুরাচান্দপুর জিলাগী লংজাগী অকোইবা মফমদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলাই ফারে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, সেক্যুরিটি ফোর্সকী কাঙবুনা ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুদা মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরল নোংমৈ অহুম, গ্রাম ৫০০ রোম লুম্বা আই. ই. দি অনি, আইটি ৱান এমএমগী মোটার ১ অমসুং বোম অহুম য়াওরি। মণিপুর পুলিসনা য়ুরেম্বর মখা লৈকাই অমসুং নোর্ট এ.ও.সিদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ

কে.ৱাই.কে.এল(এম.দি.এফ)কী মীওই অনিসু ফাগৎপা ঙমখি। মখোয়দগী নাইন এম.এম.পিষ্টোল অমা, মেগজিন অমা অমসুং কাপ্পা য়ারিবা মরু মঙা ফংখি। ফারবা মীওইশিং অসি সরকারগী ওফিসশিংদগী শেল খাইবদা চেন্নবনি মীওইশিংনি হায়রি।

পাউ অসিনা হায়-থা অসিগী ২৩ দা মণিপুর পুলিস অমদি ৩৩ শুবা অসাম রাইফলসকী কাংবুনা ইম্ফাল ইষ্টকী চিঙারেল তেজপুরদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি(নোয়োন) গ্রুপকী মীওই অমা ফারে। মহাক মীচম মীয়াম, সরকারগী কর্মচারি অমদি লন্নাই ফর্মশিংদগী শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

অমরোমদা, রাজ্যপাল অজে কুমার ভাল্লানা পুলিসতগী লাকখিবা নোংমৈশিং পীথোরকা মতম থাখিবগা লোয়ননা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা ইম্ফাল ইষ্ট, চুরাচান্দপুর অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাশিংদা নোংমৈ মরু, হেন্দ গ্রেনেদ, স্মোক গ্রেনেদনচিংবা তোঙান তোঙানবা খূৎশু খূৎলাইশিং শিন্নরকপগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

**থৌবাল(এল)ঃ** বোসেমগী গাইটলাইন মতুং ইন্না ঐচ.এস.এল.সি পরিক্ষা থাগদৌরিবা মহৈরোইশিংনা নুমিৎ ১৫ গী মমাঙদা পরিক্ষা সেন্তরদা য়ৌরক্কদবনি। করিগুম্বা পরিক্ষা হৌখ্রগা নংহৌদবা থোক্লবদি মশা মশানা দাইত্যা পুজগদবনি হায়না থৌবালগী দিপ্যুতি কম্মিস্নর অহন্থেম সুবাসনা ফোঙদোরক্লি। দি.সি থৌবালগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাকা হায়-বোর্ড ওফ সেকেন্দরি ইদ্যুকেসন মণিপুর(বোসেম)না লৌবা ঐচ.এস.এল.সি পরিক্ষা অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা পামদবা থৌদোক থোকখিবা অসি য়ামা লাইবক থিবনি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী য়াইফনবগীদমক পরিক্ষা অসি হেন্না নিয়ম চুমা অমদি ইং তপা পাঙথোকপদা মহৈরোই অমদি মমা মপা ওইরিবশিংগী থৌদাং য়ামা চাওই। মরম অদুনা, বোসেমনা পীবা গাইটলাইনগী

মতুং ইন্না পরিক্ষা থাবা লাক্লিবা মহৈরোইশিংনা পরিক্ষাগী মতমদগী য়ামদ্রবদা মিনিত ১৫ গী মাংওইননা পরিক্ষা সেন্তরদা য়ৌরক্কদবনি। দি.সি না মখা তানা হায়-পরিক্ষা অসিগা মরি লৈননা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা থোকপা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না এগজাম সেন্তরগী মিতর ১০০গী অকোয়বদা মীওই ৫ নত্রগা ৫দগী হেন্না পুনবা য়াদবগী অথিংবা লৈ। মরম অদুনা, সেন্তরগী অকোয়বদা মা পুনবীগনু। দিষ্ট্রিক্ট অসিদা ক্বালিতি ইদ্যুকেসন পুরকবগীদমক মহৈরোই লুপ, ইদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা লৌখৎলিবা খোঙথাং অসিদা মীয়ামাসু শৌগৎপীয়ু হায়নসু আপিল তৌরি।

**--সাইন্দ বাইট--সুবাস**

**জিরিবাম(এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন জিরিবাম অমদি দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোতেক্সন য়ুনিট জিরিবামনা শিন্দুনা চিংদোং লৈকাইদা লৈবা দি.সি ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা নোংমগী ওইবা সেন্সিতাইজেসন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। জ্‌বিনাইল জস্তিস এক্টকী মতাংদা পাঙথোকখিবা মীয়াম পুন্না ৱাখল তামিন্নবগী থৌরম অদুদা দি.এল.ও, সি.দব্লিয়ু.সি মেম্বর অমদি জ্‌বিনাইল জস্তিস বোর্ডকী মেম্বরশিং শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা, জিরিবামগী দি.সি কৃষ্ণ কুমারসু শরুক য়াবগা লোয়ননা জ্‌বিনাইল জস্তিস এক্টকী মতাংদা কুপা খন্ন-নৈনখি। থৌরম অদুগী টেকিকেল সেসনদা দি.সি.পি.য়ুগী প্রোবেসন ওফিসর রিনা চনু মোইরাংথেমনা জ্‌বিনাইল জস্তিস এক্ট ২০১৫গী মরমদা ৱা ঙাংখি।

**মীতৈ(এল)ঃ** রাজনিতি দলশিংনা হুন্নবা তোকপীরো, ঐগী-মীগী হায়বা থদোক্তুনা মীয়ামা য়াবা সরকার অমা অথুবদা লৈহল্লু হায়বা মৈতৈ সোসাইটি চুরাচান্দপুরগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়- মণিপুরগী রাজ্যপালনা হৌজিক শান্তি হনজিল্লকবা

হোৎনরিবা অসি সোসাইটি অসিনা তারমা ওকই। খুল ঙাকপশিংবু এন্টি নেম্নেল ওইনা উবীদনবা রাজ্যপালগী পুকিং চিংশিল্লদুনা থোক্লিবা ঈরাং অসি অথুবদা ৱরোইশিন পুরক্তুনর রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লিরিবশিং মশা-মশাগী মরমদমদা হঞ্জিনহনবীয়ু হায়নসু আপিল তৌরি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-সরকার অসিগী হোৎনজমন্না অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং চাউখৎপগী অনৌবা মফম অমা কনবা ঙল্লগনি। অসামগী গুৱাহাতিদা পাঙথোকপা ঝুমোইর বিনন্দিনি থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী মোদিনা হায়-অসাম অমসুং অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং অসি মতম অমদা চাউখৎপগী লম্বীদগী নাথৈদুনা থম্বীরম্মী। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-

**--সাউন্দ বাইট--মোদি**

অসামগী মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিস্বা শর্মনা থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী অহুমলক শুবা টর্মগী অহানবা খোঙচৎ ওইনা অসামদা লাকপা অসি রাজ্য অসিগী ওইনা য়ামা চাউথোকচনিংঙাই অমসুং লাইবক ফবনি হায়রি। মপাল থৌরম মন্ত্রি ডা.এস জয়সঙ্কর অমসুং নৈবাক ৬০রোমগী হেদস ওফ মিসনশিং থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি অয়ুক অসামদা 'দ অসাম এদভান্তেজ টু পোইন্ট জেরো ইনভেষ্টমেন্ট এন্দ দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর সম্মিট' হৌদোক্লগনি। নুমিৎ নিনিগী মীফম অসিদা মিনিষ্ট্রিয়েল সেসন ৭ লৈগনি অমসুং থিমাতিক সেসন ১৪ দনা ডদিয়োকশিংদা মীৎয়েং থমদুনা পাঙথোক্কনি। অসামগী এম.এস.এম.ঈ সেক্তরদা মালেমগী ওইবা লল্লোন ইতিক্কী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নগনি। থৌরম অসিদা এগজিবিতর ২৬০ হেন্না য়াওগনি।

**জিতেন্দরঃ** ওল ইন্দিয়া নেসনেল পব্লিক সেক্তর এমপ্লোয়ি ফেদরেসনগী মীহুৎ কাংবুশিং অমসুং কেন্দ্রগী পর্সনেল পব্লিক গ্রিভান্সেস অমসুং পেন্সনগী মন্ত্রি ডা.জিতেন্দ্র সিংহগা ঙরাং নিউ দেল্লিদা উনখ্রে। উনবা অদুদা, ডা.জিতেন্দ্রনা নেসনেল পেন্সন সিসতেম অমসুং য়ুনিফাইট পেন্সন স্কিম অনিমক্কী কান্নবশিং অদু মীহুৎ কাংবু অদুগা খন্নখি। মন্ত্রি হায়-সরকারগী ৱাখল্লোনদি এমপ্লোয়িশিংগী য়াইফনবা হোৎনবা অসিনি। থৌরাংশিং অসিদা এমপ্লোয়িশিংগী তুংগী লম্বীদা হেন্না শাফগদবা অমসুং পেন্সনগী থৌরাংদা কান্নবা ফংহনবা য়াওরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংদা এম.এল.এশিং লৈঙাক শেমবা মীফম য়ৈথোকখিবা, কৌত্রুক কদাংবন্দদা বোম থাদবদা শিজিন্নখিবা দ্রোনশিং সপ্লাই তৌরকখিবা খঙবা ঙল্লে অমসুং গভর্ণরনা চেয়র লৌদুনা অৱাংবা থাক্কী সেক্যুরিতি মীতিং পাঙথোকখিবগী পাউনা মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা বি.জে.পিগী অখন্নবা মীফম য়ৈথোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙবা থেংনরি।

সনালৈবাক্তা এম.এল.এশিং পুন্সিনবা ঙমদবদগী অপুনবা মীফম মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রে। এম.এল.এশিংগী অপুনবা মীফম পাঙথোক্তনবা সেন্তরদগী হায়রকখিব্রা চিংনরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-লুট তৌখিবা অমসুং ইল্লিগেল নোংমৈশিং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা পীখৎলকবা খঙহনখ্রবা মতুং গভর্ণর অজে কুমার ভাল্লানা চেয়র লৌদুনা রাজ ভবনদা অৱাংবা থাক্কী সেক্যুরিতি মীতিং পাঙথোক্কুনা খন্নখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইরি। কৌত্রুক অমসুং কদাংবন্দদা কুকি টেরোরিষ্টশিংনা বোম থাদদুনা মীশি মীনা থোকহনখিবা দ্রোন সপ্লাইয়র এন.আই.এনা মশক খঙলে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং, ইচেল এক্সপ্রেস, ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতসু অহানবা লমাইদা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর মেলদা কলা একাদেমি এৱার্দ লান্থোকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইরি।

এম.এল.এশিংগী লৈঙাক শেমবা মীফম য়েথোকখিবা অসিনা পি.আর শাংদোরক্কদ্রা হায়না মীপাইনরে হায়বা পাউ অসিনা নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

গানফিউ মেলদা অসাম রাইফলশিংনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা মিলিটেন্টশিং ঙাকশেন্দুনা থল্লে হায়না নাগা মহৈরোই লুপশিংনা মরাল শিরক্লি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং তাইমসতা প্রধান মন্ত্রি মোদিনা ১৯ শুবা পি.এম.কিসানগী ইন্সতোলমেন্ট রিলিজ তৌখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা-এম.পি ২২ না নাগা পিছ তোল্ককী মতাংদা খন্নবগীদমক য়ু.এন.সিনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**